থম্মোয় পাউদম হুইয়েন ইন্দু

# সী এম’গী পোফমসিদা করিগুম্বা ঐ লৈরম্লবা...

মণিপুরগী চয়েৎ-চনৈনরবা, চরাংনবা রাজনিতি (থওইনা লৈঙাক হায়জদবনি), পাৱর মুন্নবগী ঈরাংসিগী মতাংদা পাউ অমত্তদি তম্নীংদবনি। অদুবু, মফম মরাং খঙদনা ’সুম লৈশিল্লকপা, লৌদৌবা ফিরেপ অমা, অমসু অমসু লৌবা ঙম্নরক্তবা, মণিপুরগী পোলিটিসিয়নশিংনা শান্নজগদবা পোলিটিকল গেম অদুবু, য়ূমলোন্নবা ষ্টেট অনীগী পোলিটিসিয়ন অনীনা, ছত্রংগী খোঙমী-খোঙনাও থাংদুনা শান্নবগুম শান্নরকপা, বি জে পি হায়-কম্মান্দ’নসু তৌফম-থোকপা (তৌগনি হায়খিবদু) মতম চানা তৌরক্তবা, মন্ত্রি ওইনীংবনা ঙাওরবা এম এল এ ময়াম অসিনা হঙোইগী মচৎ, চোঙথোক-চোঙশিন, ফন-ফা তৌবই মথক্তা গো-গা খোংলকপা-তানীংদবা/য়েংনীংদবদু খম-থেংলক্তুনা কলম পায়খৎলুরিবনি।

জুন ১৭কী খংপ্রেক-খংবা পাউ, মদুগী মতুং তারকপা মণিপুর এসেমব্লিদা থোকখিবা দ্রামাটিক ওইরবা সিন, হায়-কোর্টকী ওর্দর মৱা লৌখিদবা, থৌনা ফরবা মণিপুর-এসেমব্লি-স্পিকরগী এক্সন-মীয়ামগী মেমোরিদা ঙসিসু ফোং-ফোং শানা লৈরমখিগনি। গ্রেট-শো অমগীদমক কোংগ্রেস-কেম্প’তা তৌরম্বা পোলিটিকল- দ্রামা-রিহার্সেল অদু, গেম-চেঞ্জর হেমন্ট’না এক্টর-মরি খত্তোল্লগা দিল্লিদা পুরুঙৈদগী, কোংগ্রেসনা দৃষ্টি থৌরুবা গেম অদু বি জে পিগী কাউন্টর-মুভ অমনা চেক-মেত তৌথোকখি। কোংগ্রেস কেম্প থূপচিনবা তাখি।

লীজরিবা ৱারীসিগী বেকগ্রাউন্দ, খঙবীরবনি মীয়াম্না। এন পি পি’না করিগী বিরেন সরকারদা শৌগৎপা তোকখিবা - হেল্থ মিনিষ্টর জয়ন্তকুমারনা মিদিয়াগী খূত্থাংদা মীয়ামদা পাউজেল পীখরে। হঞ্জিন্না ঙাঙনরগুমসি। মতমদুদা খনখিবনি - ওন্থোক্লবু পঙখ্রেদকো! বি জে পিদগী তোকখিবা, এম এল এ ফমফাও’ থাদোকখিবা, তৃণমুল অমদি ইন্দিপেন্দেন্টকী এম এল এ, মখোয়গী ফিরেপ্লা অদু য়ৌরবদি মনা মনিল নাইদনা তুমিন তুমিন এম পি ইলেক্সন’দুদা ক্রোস ভোটিং তৌনরম্লবা, মখোয়না কাহন্নীংবা কোংগ্রেস কেন্দিদেট’তুনা ইরায় লায়না কারম্মী। বি জে পি মীরেপ কাহন্দবতা নত্তনা, লৈঙাক অসি ইন্থুনবা থৌরাংলে হায়বা ঈফোং ফোংনা খঙহল্লবনিনা, পাৱর পায়বা, শক্তি লৈবা, পৈশা পায়বা রুল্লিং গভর্ণমেন্ট ওইবনিনা দিল্লি য়ৌনা ৱা-তানরগা, এট এনি কোষ্ট, দু ওর দাই স্পিরিট’তা ওপোজিসনগী থৌরাং মায় পাকহনবা য়াদে, লৈঙাক কন্দবা য়াদে - হায়রকপা তাবনি। মদুমক্লি তৌরকখিবা।

করি শারে হৌজিক্তি। রিজাইন তৌরুবা বি জে পি - এম এল এ অহুম, স্কেপ-গোট (অতোপ্পগী থৌশিলদা, মরাল-নত্তা-অৱাফমদা তাহৌবা মী) ওইদুনা লৈহৌরেদনা। নৌনা ইলেক্সন মায়োক্লবা তারি, হান্নগুম এম এল এ ওইনবা। বি জে পিনদি টিকেট পীরক্লরোই, কোংগ্রেস টিকেট’তা লেপ্লগা ভোটরশিংগী মীনুংশি ফংবা ঙমগদ্রা? চিংননীংঙাইনি হৌজিক্তি। মথন্তা তৃণমুল কোংগ্রেস এম এল এ ওইরগা বি জে পি’দা শৌগৎপা তোক্লগা কোংগ্রেস পার্টিদা শৌগৎলুবগীদমকসু দিসক্কালিফাই তৌবীখ্রবা, মাগী তুংলমচৎনা কমদৌবা? মিহুল তঙ্খায় হুল্লন্ল’নি । খ্বাইদই ঙক্লিবা অমনা - শ্যামকুমার মথন্তা, এম এল এ ওইনফাও ৱাশক লৌদ্রিঙৈ, কোংগ্রেস টিকেট’তা কারক্লগা বি জে পি লৈঙাক’তা মন্ত্রি ওইখিবদু উবদা, ‘ওপোজিসন্দা ফম্লগা কাঙখ’থাঙ ওইনা তা’ লৈদৌ শরুক রুল্লিং পার্টিগী শৈশক-খূৎপু অদুদা পালা ওইনা লেপ্পদুনা হেন্না কান্নৈ’ হায়বা, অদুঙৈ তাইবীনা ঙাঙখিবা ৱাঙাঙদু নীংশিংলগা মখোয় তরেৎ পুল্লপ কোংগ্রেসতগী বি জে পি’দা চোঙশিল্লুবদু, অহুম দিসক্কালিফাই তৌখিবা, অহুমবুনা হিংগৎহনখিবা, অমগীনা পেন্দিং’দা থমখিবা, স্পিকরগী শক্তি উথোরকখিবদুনি। রুল্লিং অমদি ওপোজিসন, অনীমকপু চপ মান্ননা উগদবনি, মীচং-মীখায় নাইবা থবক চত্থরোইদবনি - হায়বা ৱায়েন মপু অমগী চপ চাবা থৌদাং পাঙথোক্কদবদু কাউথোক্তুনা, ‘মণিপুরগী স্পিকর’ - তুরম্লগদবা বি জে পি লৈঙাক্কী সেভিয়র (কনবীবা মপু) অমগী থৌদাংদু চপ চানা পাঙথোকখি। বি জে পি’না মাবু কাউফম থোক্তে।

ঙসি ঐনা ইনিংদনা ইরিবা পাউদমসি, অতৈগী নত্তে। হিরো’দগী ভিল্লিয়ন ওল্লবা, ‘জি-হুজুর-কলচর’দুগী খ্বাইদই ময়েক শেংলবা লল্লোয় মরি অদুগী, কন্না কন্না চাল্লবসু কোক্করোইদবা, অঙৌবা ফিজোলদা চুখিবা অমকপা মচু অদুগী খল্লুবদনি। দেপ্যুটি সী এম’দা লৈবাক মীয়াম খঙনা পীখিবা ইন্সল্ট, অশোকপদুদা থুম থাকচিনখিবা অতোপ্পা মেম্বরগী ৱাঙাঙ, পূম্নমকসি কোথোক্লগা ঙাঙখিবা হেল্থ মিনিষ্টরগী শাংলবা ষ্টেটমেন্ট, ওটোক্রেটিক ওইবা চীফ মিনিষ্টরগী এক্সপোজর, নূং অতেকপা শন্বা য়াদবগুম শমজিন্নবা য়াশিন্নবই ৱাফম লৈতে হায়রম্লগা, দিল্লিগী বোস অনীখক্লা মকোক্তা নান্থবীরকপদা পূমতে-তেরগা লাকখিবা ... করি ৱাবু হায়রকখিবা? অপংবা মীয়ামসিতা নত্তে, শিংত্রিক শিংবা সী এম অমদি মাগী কল্লিগশিংসু ঙক্লিবনি। মখোয় মরিগী মহুত্তা ‘ঐ শিনজিল্লক্কনি’ খল্লুবা মখোয়গী লানহৌ মচাদুসু লাঞ্জাও ওইরকপা য়ারিবনি। তোক্লুরগা হল্লকপা মন্ত্রি মরিদুদা করি পোর্টফোলিও পীগদগে তান্ননবা সী এম দিল্লিদা চৎকনি হায়রিবসে মরৌ লৈবা ৱাঙাঙনি। চীফ মিনিষ্টরগী পাৱরসিবু ‘অমিৎ শাহ’না পায়খ্রজাৎলনে? ‘নৌনা য়াশিন্নরকপসিগা চাননা পোর্টফোলিও খরা হোংদোক-হোংজিন তৌ’ - হায়বসিমদি হায়রমগনি। হান্নগীদুগুম মাইনর ওইবা পোর্টফোলিও খরা পায়রগা পেল্লো হায়বদুদি য়াররোই। …‘হৌজিক ঐখোয়দা হোম পোর্টফোলিও পীদবা ঙম্লা য়েংগে’ … হায়দুন’কা মকা ফোংলক্লিবসি, মরম অমদি লৈরে হায়বা ময়েক শেংনা তাক্লবনি। কোনরাদ সংমা’না ‘ঐখোয় মখা তানা বি জে পি লৈঙাকসিদা শৌগৎখিগনি, অদুবু মন্ত্রিশিংগী ফম খরা হোংদোক-হোংজিনদি তৌরবা য়াই’ হায়না দিল্লিদসু, ইম্ফালদসু হায়খিবসিনা, এন পি পি’না অপাম্বা পোর্টফোলিও খরা ৱারীদুগী মনুং চন্না দিমান্দ তৌই হায়বসিমদি চেনবা য়াররোই। ৱাফম অসি এন পি পি’না কোঅলিসন’দগী তোকখ্রবদি মখোয়গী মন্ত্রি ওইবগী লম্বী ক্লিয়র ওইরে খনখিবা বি জে পি’গী/কোংগ্রেসতগী নৌনা চোঙশিল্লকখিবা এম এল এশিংনা য়ানীংদে। সী এম’দা প্রেসর হেনগৎহল্লি। বি জে পি’গী অকনবা মিনিষ্টরশিংনা পায়রিবা ফমদু লৌথোকপা তারকই। অনৌবা মিনিষ্টর হাপচিনবগী ‘স্কোপ’তুমা শুকলৈ লৈত্রে। সী এম’না কোক চিক্লিবসি সিদনি। চীফ মিনিষ্টর’ নিদি হায়রগা সেন্ত্রেল মিনিষ্টর অমগী সব-ওর্দিনেট অমা ওইনা মথৌ তাবই ফীভমসিদি করিগুম্বা ঐ ওইরম্লবা, ৱিথ দিগ্নিটি, নহান্না ফম থাদোক্লম্লনি।

লৌশিং পুক্কে

# কোভিদ-১৯ লায়েংবদা শীজিন্নরিবা দেক্সামিথাসোন-১




ওক্সফর্দ য়ুনিভর্সিটিনা চত্থখিবা রিকোভরি {RECOVERY-(Randomised Evaluation of COVid-19 thERapY)} হায়না মিংথোনবা ক্লিনিকেল ট্রায়ল অমদা কোভিদ-১৯গী অনাবা লায়েংবদা লো-দোজ দেক্সামিথাসোন শীজিন্নবনা রেস্পিরেটরি সপোর্ট মথৌ তাবা অনাবশিংগী মরক্তা হিংবা য়াবগী চাং হেনগৎহনবা থেংনখ্রে। ষ্টদি অদুদা কোভিদ-১৯না নাবদগী ভেন্টিলেটর শীজিন্নদুনা লায়েংলিবা অনাবা ৫গী মনুংদা ১, অমদি ওক্সিজেন শীজিন্নদুনা লায়েংলিবা অনাবা ৮গী মনুংদা ১ হীদাক অসিনা শিবগী রিস্ক হন্থহনখি। অদুমওইনমক রেস্পিরেটরি সপোর্ট মথৌ তাদবা অনাবশিংদদি হায়রিবা হীদাক অসিগী কান্নবা অমত্তা লৈতে। দোক্টরগী পাউতাক য়াওদ্রবদি কোভিদ-১৯গীদমক হীদাক অসি শীজিন্নরোইদবনি।

পনবা য়াবদি ইন্দিয়াগী ওইনসু দেক্সামিথাসোন হায়রিবা হীদাক অসি কোভিদ-১৯ লায়েংবদা শীজিন্ননবগীদমক য়ুনিয়ন হেল্থ মিনিষ্ট্রিনা খঙহনখিবা লৈখ্রবনি।

দোক্টরগী পাউতাক য়াওদনা হীদাক অসি শীজিন্নরবদি কা হেন্না খুদোংথীবা কয়া মায়োক্নরকপা য়াই। দেক্সামিথাসোন হায়রিবা হীদাক অসি করম্বা মখলগী হীদাক্নো, মসি শীজিন্নবগী সাইদ ইফেক্টশিং অমদি দোক্টরগী পাউতাক য়াওদনা শীজিন্নরবদি করি করি খুদোংথীবা নংবা য়াবগে হায়বনচিংবা খরা খঙমিন্নসি।

দেক্সামিথাসোন অসি ওরেল টেব্লেট, ওরেল সোল্যুসন, আই দ্রেপ্স, অমদি ইয়র দ্রোপ্স ওইনা ফংই। মসি ইঞ্জেক্টেবল সোল্যুসন নৎত্রগা সর্জরি লোইরবা মতুংদা কাপ্পবা ইন্ট্রাওক্যুলর সোল্যুসন ওইনসু লাকই।

দেক্সামিথাসোন ওরেল টেব্লেট অসি অনাবা কয়া লায়েংবদা শীজিন্নৈ। অনাবশিং অদুগী মনুংদা ইনফ্লেমেসন, এল্লর্জিক রিএক্সন, অমদি অলসরেটিব কোলাইটিসকী অনাবা খঙহেন হেনজিল্লকপা অসিনচিংবশিং য়াওরি।

**দেক্সামিথাসোন শীজিন্নবদা চেকশিনগদবশিংদি:**

**এল্লর্জিক রিএক্সন:** দেক্সামিথাসোননা করিগুম্বা মতমদা য়াম্না তাঙনা থোকপা থৌদোক ওইনা এল্লর্জিক রিএক্সন থোকহনবা য়াই। করিগুম্বা হীদাক অসি শীজিন্নবা মতমদা নীংশা হোনবা ৱাবা, ফুরি থুংবা, নৎত্রগা ঊনশাদা হাক্লচবা, নৎত্রগা খোঙ, খূৎ নৎত্রগা লৈদা পোমখৎলক্লবদি খুদক্তা দোক্টরদা পাউ পীগদবনি।

**হার্ট দেমেজ:** করিগুম্বা হার্ট এটেক তৌখিবা কুইদ্রিবা ওইরগদি, হীদাক অসি শীজিন্নবদা মীওই অদুগী হার্ট অমুক্তা হেন্না শোকহল্লকপা য়াবগী রিস্ক লৈ। ইশাদা হান্না হার্ট এটেক তৌখিবা লৈরবদি হীদাক অসি শীজিন্নদ্রিঙৈ মমাঙদা দোক্টরদা খঙহনগদবনি।

**ইনফেক্সন:** দেক্সামিথাসোননা অকক্লবা ইনফেক্সন খরা হেঞ্জিলহল্লকপা য়াই। মসিগীসু মথক্তা লায়েং চত্থরিঙৈদা ইনফেক্সন তৌরকপসু য়াই। ইশাদা ফঙ্গেল ইনফেক্সন লৈরবা, নৎত্রগা পেরাসাইট ইনফেক্সন নৎত্রগা ট্যুবর্ক্যুলোসিস নাখিবগী হিষ্ট্রি লৈরগদি হীদাক অসি শীজিন্নরোইদবনি। ইশাদা হান্না লৈখিবা ইনফেক্সন নৎত্রগা অনাবা খুদিংমক দোক্টরদা হায়গদবনি।

**মীৎকী খুদোংচাদবশিং:** মতম শাংনা দেক্সামিথাসোন শীজিন্নবনা কেটরেক্ট নৎত্রগা গ্লোকোমাগুম্বা মীৎকী ওইবা খুদোংচাদবশিং থোকহল্লকপা য়াই। হীদাক অসিনা মীৎকী ওপ্টিক নর্ভশিং অমাঙ অতা থোকহনবা, নৎত্রগা মীৎকী ফঙ্গেল নৎত্রগা ভাইরেল ইনফেক্সন থোকহনবসু য়াই।

**মিজল্স নৎত্রগা চিকনপোক্স:** মমাঙদা চিকনপোক্স নৎত্রগা মিজল্স নাখিদ্রিবা নৎত্রগা লায়নাশিং অসিদগী ঙাকথোক্লবগীদমক ভেক্সিন কাপখিদবা ওইরগদি দোক্টরদা হায়গদবনি। দেক্সামিথাসোন শীজিন্নরিঙৈদা হায়রিবা অনাবশিং অসি ইশাদা লৈরম্লবদি হেন্না শাথিনা নাহল্লকপা য়াই।

**দেক্সামিথাসোন হায়বসি করিনো?**

দেক্সামিথাসোন অসি প্রেস্ক্রিপ্সন মেদিসিন হায়বদি দোক্টরগী প্রেস্ক্রিপ্সন য়াওদনা ফার্মাসিদগী লৈবা য়াদবা হীদাক অমনি। হীদাক অসি তোঙান তোঙানবা ব্রান্দকী মমিংদসু ফংই অমদি জেনরিক দ্রগ ওইনসু ফংই। জেনরিক দ্রগ ওইনা লৈরগদি মমল হেন্না হোংঙই।

দেক্সামিথাসোন অসি ইম্ম্যুন সিষ্টেম এক্টিভিটি, অমসুং হোর্মোন দিফিসিয়ন্সিগা মরী লৈনবা ফিভমশিং অমদি ইনফ্লেমেসনশিং থোকহনবা কন্দিসনশিং লায়েংবদা শীজিন্নৈ। হায়রিবা কন্দিসনশিং অদুগী মনুংদা-ইনফ্লেমেসন; এল্লর্জিক রিএক্সনশিং; রিউমাটোইদ আর্থ্রাইটিস অমসুং অতোপ্পা রিউমেটিক দিজিজশিং; ঊনশাগী অনাবশিং; অলসরেটিব কোলাইটিসকুম্বা থীবোং থীরিলগী অনাবা খঙহেন হেঞ্জিল্লকপদা; মল্টিপল স্ক্লেরোসিস নৎত্রগা মাইয়াষ্টেনিয়া গ্রাভিস; কেন্সর লায়েংবগী হীদাক লাংথকশিংগী সাইদ ইফেক্টশিং অমদি ইনফ্লেমেসন হন্থহন্নবগীদমক কেমোথেরাপিগী প্রিট্রিটমেন্ট; অকক্লবা লিয়ুকেমিয়া অমদি লিম্ফোমা মখলশিং; এড্রিনেল ইনসফিসিয়ন্সি অসিনচিংবশিং য়াওরি।

দেক্সামিথাসোন অসি ষ্টেরোইদ হায়না খঙনবা দ্রগশিংগী ক্লাস অমগী মনুং চল্লি।

**দেক্সামিথাসোনগী সাইদ ইফেক্টশিং:**

দেক্সামিথাসোন ওরেল টেব্লেট শীজিন্নবদা তৃম্নীংবদি থোকহন্দে, অদুবু অতোপ্পা সাইদ ইফেক্টশিংদি থোকহনবা য়াই। খ্বাইদগী তোয়না থেংনগনবা সাইদ ইফেক্টশিংগী মনুংদা: ওনীংবা; ওবা; পূক মথক-মখা ওনবা; খোঙ পোমখৎপা; কোক চীকপা; কোক ঙাওবা; মুদ হোংবা, খুদম ওইনা দিপ্রেসন, য়াম্না থুনা মুদ হোংবা, পর্সনেলিটি চেঞ্জেজ; তূম্বা য়াদবা; এঞ্জাইটি; পোটাসিয়মগী চাং নেম্বা; ঈদা য়াওবা গ্লুকোজগী চাং ৱাংবা; ব্লদ প্রেসর ৱাংবা অসিনচিংবশিং য়াওরি।

হায়রিবা সাইদ ইফেক্টশিং অসি কয়া কন্না তৌদ্রগদি নুমিৎ খরনিগী মনুংদা নৎত্রগা চয়োল অমা-অনীদা মশা মথন্তা ফখিবা য়াই। অদুবু য়াম্না কল্লগদি নৎত্রগা মশা মথন্তা ফখিদ্রগদি দোক্টরদা তান্নগদবনি।


হুইয়েন লানপাউ পব্লিক ওপিনিয়ন

## মীয়াম্না করি হায়রি, করি পাল্লি



**ওইনাম কুঞ্জকেশ্বর, লাংজিং অচৌবা**

কোভিদ-১৯ নারবা মীওইশিং লায়েংনবা হোৎনরিবা হেল্থ ৱর্কর খরা পোজিটিভ ওইবা য়াওরকপা অসি থোকহন্নিংদবা থৌদোকনি। থা কয়াদগী মখোয়না অনা-লায়েংনবা হোৎনবদা থেংনরিবা অৱাবশিং লৈঙাক্লা অমদি মীয়াম্না উবিয়ু। অমরোমদা লোকদাউন তৌখিবদগী লমদম অসিগী গভর্ণমেন্ট অমদি প্রাইভেট স্কুলগী অঙাংশিং থিন্দোক থিনজিন তৌদুনা হিংজরম্বা ভেন দ্রাইভরশিংগী ফীভম য়াম্না ৱাবা হায়বদু ওইরে। মখোয়গী অৱাবাশিং অসিগী মতাংদা মরী লৈনবা দিপার্টমেন্টশিংনা পোলিসি অমা শেম্বিদুনা অৱাবশিং অসি কোকহন্নবা হোৎনবিরবদি অপেনবা হায়বদু ওইগনি। লোয়ননা লমদম অসিগী মীয়াম্না ৱানরিঙৈগী চৈরক অসিদা লুচিংবশিংনসু মাগী-মাগী অনিংবা-অপাম্বা ফংহৌনবগীদমক তোঙান-তোঙানবা পার্টিদা চোংথোক-চোংশিন তৌনরিবা অসিসু মীয়ামগী খল্লগা তৌহন্নিংদে। মখোয় মশেনগী মরক্তা ফম মুন্নবা হোৎনরিঙৈদা লৈবাক মীয়াম্না লৌ উবদা তঙাইফদনা মথৌ তারিবা হার ফংদবা, মহৈরোয়শিংনা মহৈ তম্বা ফংদনা লৈবা, থবক শুফম নোমফম লৈত্রবা মীয়াম্না ককঙাউনদুনা চেন্নরিবা পূম্নমক উবা ঙমদ্রে। মদুনদি লৈবাক অসি চাউখৎপা ৱাগনি। লমদম অসিদা লৈরিবা মীপুম খুদিংমক মানা-মানা তৌরিবা শিনফমশিংদা পুকচেল শেংনা থবক তৌহনজনিংই।



**বিগ্যা ৱাহেংবম, কোংপাল চনম লৈকায়**

লৈবাক মীয়ামবু অৱাবদগী কনবিবা হায়বসি পাল্লিবা লৈঙাক্কী তঙাইফদ্রবা থৌদাংনি। লৈঙাক্লা তমথিরবা লায়না কোভিদ-১৯দগী মীয়ামবু কনদবা য়াদে হায়না লোকদাউন মখা তানা শাংদোরকপনি। অদুবু খোংথাং অসিগা লোয়ননা মীয়ামনা হিংবদা তঙাইফদবা মচাকশিংসু ফংহনবা মথৌ তাই। অতোপ্পা ষ্টেটশিংদগী মণিপুরী কয়া পুশিনবিরক্লিবা অসি তপ্পা-তপ্পা পুশিনবিরকপনা ফগদ্রা খল্লি। হৌজিক লমদম অসিদা কোভিদ-১৯গী পোজিটিভ ওইবা কেস মশীং য়াম্না হেনগৎলকপনা লৈঙাক অমদি মেদিকেল হেল্থ ৱার্কসশিংসু অৱাবা ওইরে। লোয়ননা ক্বরন্টিন সেন্টরশিংদা লৈরিবা মীওইশিংনসু তঙাইফদনা মতম খরা ৱারবসু ৱানা চেকশিন্না লৈবিবা ফৈ। পেন্দবা কয়া লৈরবসু লায়না অসি পাকশন্না শন্দোরক্তনবা অৱাৎ-অপা অমসুং অপেন-পেন্দা ফোঙদোক্লদুনা পূন্না চৎমিন্নবা ফৈ। অৱাৎ-অপা কয়া লৈরে অমদি পেন্দ্রে হায়দুনা লম্বীদা থোরক্তুনা ষ্ট্রাইক তৌবিগনু। নৎত্রবদি লায়না অসি পাকশন্না শন্দোরক্তুনা শিবা ফাওবা য়াওরকপা য়াই। মরম অদুনা হৌজিক ওইরিবা তানফম অসিদদি অশাওবা কয়া ফাথনদুনা অমনা-অমবু মতেং পাংনবগী মতমনি হায়বসি কাউবিগনু।

অদোমগী মরুওইবা ওপিনিয়ন ৯৭৭৪৮০৩১৪৫ নত্রগা hueiyen_lanpao@rediffmail.com/hueiyen_lanpao@yahoo.co.in দা থাবিরকউ।

## লাইরবশিংগীদমক গান্ধীয়ান টি দি ঙাঙোম্বনা খুত্থাং চারা হেনবা হৌখ্রে

ইম্ফাল, জুন ২৯ (ঐচ এন এস) : গান্ধীয়ান কলেক্টিভ ইন্দিয়ানা শীন্দুনা পোলিটিক্স ফোর দি পোর হায়বা খোঙজংগী মখাদা ইন্দিয়াগী শীন্নীশিং, লৌমীশিংগী দিমান্দ কয়া পুখৎলদুনা চত্থবা খুত্থাং চারা হেনবগী খোঙজং জুন ৫দগী বিহারদা হৌখ্রে হায়না সী পি আই -এম মণিপুর ষ্টেট কম্মিতিগী সেক্রেটরী ক্ষেত্রিময়ুম শান্তনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, খোঙজং অসি চহীসিগী ওক্টোবর ২ ফাওবা চত্থগদবনি। খোঙজং অসিগী মরুওইবদি ইন্দিয়াগী লৈতা-লাইরবা লৌমী-শীন্মী অমদি খুঙ্গংগী মীয়াম্না ৱারিবা অসি খঙদুনা মীৎয়েং চংগদবনি হায়বনি। খোঙজং অসি খনগৎলবা মশক নাইবা কয়ানা নোংম-নোংমগী শরুক য়াদুনা চারা হেল্লগা চংশিনবনি। কোভিদ-১৯গী মনুং ওইবনা য়ুম-য়ুমদগী হৌবনি। মণিপুরগী ওইনা টি দি ঙাঙোম্বা অমদি লুচিংবা কয়ানা ঙসি অয়ুক্তগী চারা হেনবা হৌখ্রে। খোঙজং অসিগীদমক টি দি ঙাঙোম্বগী চারা হেনফমদা চৎতুনা সী পি আই-এমনা শৌগৎপা ফোঙদোকখ্রে হায়রি।

## ‘লৈঙাক্কী ইনষ্ট্রক্সন লৌদনা অনীং-অনীংবা তৌবা য়ারোই’

ইম্ফাল, জুন ২৯ (ঐচ এন এস): লৈঙাক্কী ইনষ্ট্রক্সন লৌদনা অনীং-অনীংবা তৌবা য়ারোই হায়না রিফোর্মিষ্ট ষ্টুদেন্টস ফ্রন্ট (আর এস এফ)গী জেনরেল সেক্রেটরী ঐচ জেমসননা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, এদ্যুকেসন দিপার্টমেন্ট থোকপা ওর্দর অমগী মতুং ইন্না হায়র সেকেন্দরি লেভেলগী স্কুলশিংগী এদমিসন প্রোসেস লেপকদবনি অমদি বোর্দশিংদগী লাক্কদৌরিবা মহৈরোয়শিংগী য়েংলগা সিট থমগদবনি হায়না খঙহনখিবা লৈরবসু ইম্ফাল ময়োনদা লৈরিবা ইন্সটিট্যুসন খরনা মশা মশাগী য়েংলগা এদমিসন প্রোসেস তৌরি। লোটরি সিষ্টেমদা এদমিসন তৌহন্নবা থৌরাং পায়খৎপা কয়া অমা লাক্লিবা অসি লেপকদবনি। মহৈরোয়শিংবু মান্নবা মীৎয়েং অমদা থম্নবা আর এস এফনা ৱাখল তামিন্নদ্রিবা ফাওবা মখল অমত্তগী প্রোসেস চত্থবা য়ারোই। আর এস এফনা থল্লীবা ৱাফম অসিগী ৱাংমদা থবক তৌরকপা য়াওরবদি মদুদা লাকপা অফ-ফত্তগী থৌদাং স্কুল ওথোরিটিনা পুগদবনি।

স্কুল খরনা থৌশাদনা অনীং-অনীংবা তৌরকপা অসি লাইবক থিবনি। লৈঙাক্লা পেন্দেমিক অসিবু থেংননবা এস ও পি শেল্লিবা অসি থুগাইরগা ইন্সটিট্যুসন খরগী ওজাশিংনা ময়ুম ময়ুমদা প্রাইভেট কোচিং ক্লাস তৌরে হায়বসি খঙলে। অসিগুম্বা থবক অসি তুং ইন্দুনা চৎলিবা মহৈরোয়শিংগী অহল-লমনশিংবুসু লুপ অসিনা অঙকপা পোকই হায়নসু চেরোল অসিনা মখা তারি।

## কোনুংগী কম্ম্যুনিতি হোলদা লখি কৈথেল কাখ্রে

ইম্ফাল, জুন ২৯ (ঐচ এন এস) : সনা কোনুংগী কম্ম্যুনিতি হোলদা কৈথেল ফম্বগা লোয়ননা গোবিন্দগী লখি কৈথেল কাবা লেংথোরক্তুনা হৈকৎ-লৈকৎ তমখ্রে।

লখি কৈথেল কাবদা কৈথেল ফমখিবী পীশংচা কৌবী অমনা ফোঙদোরকপদা ঙসি লখি কৈথেল কাবা নুমিৎনি। ময়াংলং ফিজোই নুপী লুপনা শিন্দুনা সনা কোনুংগী কম্ম্যুনিতি হোলদা কৈথেল ফম্বা লাকপনি। চহী লিশাং শীৎনা কৈথেল ফম্লকপা অসিদা কাংলেন নোংমা ৱাংলিঙৈদা লখি কৈথেল কাবনি। গোবিন্দদগী লেংথোরক্লগা লখি কৈথেল কাবা অসিদা থৱায় হকচাং য়াওনা অঙম্বা কৎতুনা লাক্লি। নুমিৎ অসিদা খুৎলাংখা কৌদবসু য়াদে। কোভিদ-১৯না মরম ওইরগা কৈথেল ফমহন্দনা লাক্লিবসি নুমিৎ ১০০নি হেল্লবনি। লিশাং শীৎনা লাকপা অমা ওইনা লখি কৈথেল কাবনি। কৈথেল ফম্বা য়াদ্রবসু গোবিন্দদা ঙমজবা খরা কৎনিংবদগী কৈথেল অসি ফম্বনি। ঐখোয় কৈথেল ফম্লগা হৈরুকনচিংবা কয়া গোবিন্দগী মনাক্তা কৎচবনি। ঙসি লখি কৈথেল কাবা অসিনা কোভিদ-১৯ লায়না অসি ফহন্দুনা ঐখোয়বু কৈথেল ফম্বা ঙমহনবিরো হায়না নীজবনি। মসিগী মথক্তা লৈবাক অসিদা তংদু লৈতাবা পীনবিরো হায়না নীবনি।

কোভিদ-১৯না মরম ওইরগা হৌজিক কৈথেল ফম্বা ফংদনা লৈরিবা অসিদা কৈথেল ফম্বী কয়াদি অৱাবা কয়া মায়োক্লরি। নোংমগী পোৎ-চৈ য়োল্লগা ইমুং-মনুং পুজরম্বা কয়া হৌজিক কৈথেল ফম্বা য়াদবদগী অৱাবা ফিভম অমদা লৈরি হায়নসু ফোঙদোকখি।

## পোইন্ট ৯০ রোমগী লম লৈবগা লোয়ননা ফজরবা ইদিগাহ অমা বেঙ্গুনদা শেমগৎলগনি : রোবিন্দ্রো

ইম্ফাল, জুন ২৯ (ঐচ এন এস) : ময়াং ইম্ফালগী বেঙ্গুনদা পোইন্ট ৯০ রোমগী লম অমা লৈবগা লোয়ননা অথুবা মতমদা ফজরবা ইদিগাহ অমা শেমগৎলগনি হায়না মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লীগী দিপ্যুতি স্পিকর কোংখাম রোবিন্দ্রোনা ফোঙদোকখ্রে।

বেঙ্গুন ময়াই লৈকায়দা ইদিগাহ শানবা লৈরিবা লম য়েংশিনবগা লোয়ননা কে রোবিন্দ্রোনা হায়খি, বেঙ্গুন ময়াই লৈকায়দা ইদিগাহ শানবগীদমক লম লৈরে। মুস্লিম তাবা পোল্লিং খুদিংদগী মুস্লিম অমমম য়াওনা কম্মিতি অমা শেল্লগা লম অদু শীন্নরগনি। ইদিগাহ অদু মণিপুরগী খ্বাইদগী ফজবা ইদিগাহ ওইহনগনি। ইদিগাহ অসিগী আর্কিটেক অমা নেক্তুনা নীংথিনা দ্রোয়িং য়েকহল্লগা শেমগৎলগনি। অচংবা শেনফম পুথোক্লগা ইদিগাহ শাফম লৈরিবা অসিদা শাগদবনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

বেঙ্গুনদগী সিরাজ অহমদনা ফোঙদোকখিবদা ময়াং ইম্ফাল এ সীগী মনুংদা লৈরিবা বেঙ্গুনদা শাংলবা চহী কয়া অসি ইদিগাহ অমা ফাওবা লৈতবনা অৱাবা মায়োক্লদুনা লাকখিবনি। চহী ৫০ রোম এ সী অসিগী মীহুৎ ওইখিবা কয়াগী মতমদা বেঙ্গুনদা ইদিগাহ শাগৎলমদে। মতম মতমগী ওইনা মীয়ামগী মীহুৎ ওইনা কাখিবশিংদা হায়জদুনা লাকখ্রবসু শাদনা লৈরকখিবনি। তোঙান-তোঙানবা পোটফোলিও পায়রম্বা মিনিষ্টর কয়া এ সী অসিদা লৈখ্রে। ইদিগাহ শেমগৎকনি হায়রম্লগা শেমগৎপীদনা লৈরকখিবনি।

দিপ্যুতি স্পিকরনা ইদিগাহ অমা শেমগৎ শাগৎনবা থৌরাং তৌরক্লিবা অসি থাগৎলি। মুস্লিমশিংগী শেংলবা লাই খুরুম্ফম ইদিগাহ অমা শানবা শেল পুথোক্তুনা লমসু লৈরে। ফজবা ইদিগাহ অমা ওইনা শেমগৎকনি হায়বসি থাগৎলি। মহাক্লা ফুরুপ খুদিংমক অমত্তা ওইবগী মীৎয়েংগা লোয়ননা চংশিল্লক্লিবা অসিদা তৌবিমল খঙবা উৎলি হায়নসু ফোঙদোকখি। থৌরম অদুদা মণিপুর ষ্টেট হজ কম্মিতিগী চ্যোরপার্সন অব্দুস সলামসু য়াওখি।

## মতেং পাংখ্রে

ইম্ফাল, জুন ২৯ (ঐচ এন এস) : লৈখিদ্রবা লীলারোই চীংলেন থিয়ামগী ইমুং মনুংদা দাইমন্দ রেদিওগী প্রোগ্রাম একজিক্যুটিভ জেমস হৈক্রুজমনা শেলগী তেংবাং খুৎশিন্নখ্রে।

লীলারোই চীংলেন থিয়ামগীদমক শুমাং লীলা কাউন্সিলনা শীনবা ইকায় খুম্নবা উৎপগী থৌরমদা দাইমন্দ রেদিও তারিবা লিষ্টনরশিংনা শেলগী তেংবাংলকপশিং অদু ঙরাং চীংলেন থিয়ামগী ইমুং মনুংদা খুৎশিন্নখিবনি। থৌরম অসি হৌবদগী লোইবা ফাওবা দাইমন্দ রোদিওদা অমদি য়ুট্যুব দাইমন্দ রেদিও মালেম শীনবা থুংনা শন্দোক্তুনা উহনখি। লৈখিদ্রবা শুমাং লীলাগী শক্লাইরবা চীংলেন থিয়ামগী ইমুং মনুংদা মতেং অদু পীবনি হায়রি।

## অৱাবা ফোঙদোরক্লি

ইম্ফাল, জুন ২৯ (ঐচ এন এস) : খুরাই লোকেলগী লুচিংবা ওইবতা নত্তনা সী পি আই ষ্টেট কাউন্সিলগী মেম্বর ওইরম্বা কমরেদ ঙাঙো ইবোচৌনা মশাগী অনাবা অমদগী থা অসিগী ২৪দা লৈখিদবদা অৱাবা ফোঙদোক্লি হায়না মণিপুর ষ্টেট কাউন্সিল সী পি আইগী ষ্টেট সেক্রেটরী এল সোতিন কুমারনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, ইরাবত ভবনদা ঙসি ফমখিবা অৱাবা ফোঙবগী মীফমদা শরুক য়াখিবশিংনা মিনট অনী তুমিন্না লেপ্পুনা ইকায় খুম্নখি। পার্টি অসিগী সেক্রেটরিয়েট মেম্বর এ লালানা ময়াই তাংবল লৌখি। লৈখিদ্রবা কমরেদ অসি খুরাই বোইজ জুনিয়র হায়স্কুল অমসুং মেকোল গর্লস জুনিয়র হায়স্কুলগী হেদ মাষ্টর ওইরম্মী হায়নসু মখা তারি।

## ঈ কৎপগী থৌরম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, জুন ২৯ (ঐচ এন এস) : রেগুলর ভোলুন্টরি ব্লদ দোন্নর গ্রুপ মণিপুরনা শীন্দুনা নোংমগী ওইবা ঈ কৎপগী থৌরম অমা ব্লদ বেঙ্ক এন্দ ট্রান্সফ্যুজন য়ুনিট জে নিমসকা খুৎশম্নদুনা হোস্পিটাল অসিগী ব্লদ বেঙ্কতা পাঙথোকখ্রে।

গ্রুপ অসিগী প্রসিদেন্টনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, থৌরম অসিদা গ্রুপ অসিগী মেম্বর ৩৪না ঈ কৎখি। থৌরম অসি পাঙথোকপগী পান্দমদি হৌজিক কোভিদ-১৯গী পেন্দেমিক ওইরিবা অসিদা ব্লদ বেঙ্কশিংদা ঈগী অৱাৎপা লৈরিবা কয়া অসি খরদা ওইরবসু মেনখৎপা ঙম্নবা পাঙথোকপনি। থৌরম অসিবু মপুং ফাহন্নবা হোৎনবদা থৌদাং লৌখিবা পুম্নমকপু থাগৎপা ফোঙদোক্লি। কেম্প অসিগী দোন্নরশিংদা মাস্ক মতেং পাংলকখিবা এম এল এ হেনরিবুসু থাগৎলি হায়রি।

## ঙসিগী রাশি ফল

অইবা : ডো. ৱাংখেম জীবোল সিংহ চীংমৈরোং, ইম্ফাল।


তাং ৩০।০৬।২০২০ ইং, লৈবাকপোকপা ইঙেলগী ১০ নি পানবা।



**মেষ :** অরিবা থবক পনবা খরদি লৈগনি অদুবু নীংবা থুংবা, মরুপ মপাংগী মতেং ফংবা অমদি পাউ নুংঙাইবা তাজবা ফংগনি। নথক থোংবনা য়ানবা চৎপা ফগনি।
**লৈশা পাখংশিংগী** - অনৌবা অশা লাক্কনি।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ নাপু/য়াইঙং।



**বৃষ :** লল্লোন ইতিক্কী লম্দা চাউনা মায় পাকচবা অমদি মরী-মতাগা অফবা মরী লৈবা নুমিৎনি। অফবা থবক্তা শেলজাও থাদবা য়াবা নুমিৎসু ওই। মরুপ্পদি য়েংথি।
**লৈশা পাখংশিংগী** - নুংশিবনা চানবীগনি।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ অঙাংবা।



**মিথুন :** কোক শাবা, লল্লোনবদা খুৎচাও থাবা য়াদবা অমদি পাইরক্কী লৌশিং খরা ৱাৎলসু য়েক্লববু লাকশিনবা ঙম্বা অমদি অনীংবা থবকসু পাংবা ঙমজবা নুমিৎনি।
**লৈশা পাখংশিংগী** - নীংবা মপা চারোই।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ অঙাংবা।



**কর্কট :** মীংচৎ ফংবা অরং-অরাক ফংবৈ নুংঙাইবা অমদি মরী-মতাগী মতেং ফংজবা নুমিৎনি। য়েৎনবদি মায়থীগনি। লাই-গুরুনা চানবীগনি অমদি লান্দবনা মায় পাক্কনি।
**লৈশা পাখংশিংগী** - হায়জবা তাবীগনি।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ অঙৌবা।



**সিংহ :** শেন্দোং চাওনা ফংগদবা অমদি চাদিংসু হন্থবা নুমিৎনি। লমদগী কান্নবা ফংজবা অমদি মীয়ামগী মতেং চাউনা ফংজবা নুমিৎনি। অদুবু অশিংবা শাবদি ফত্তে।
**লৈশা পাখংশিংগী** - নীংবা থুংগনি।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ নাপু/য়াইঙং।



**কন্যা :** ইচং থৌবনা অনীংবা থবক লায়না পাংবা ঙম্বা অমদি লৈঙাক্কী লম্দা মীনা লাকচবা ঙমদবা নুমিৎনি। লেংদবা লনদি তানশিনবা ঙমগনি। খুৎচাও থাবদি য়ারোই।
**লৈশা পাখংশিংগী** - নুংশিবনা চানবী।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ অঙৌবা।



**তুলা :** হরাওবা, থৌনা ফুদোকপা য়াবা অমদি লল্লোন ইতিক্তা শেন্দোং চাউনা ফংজবা নুমিৎনি। ইমুং-মনুং ৱাখল মান্ননা লন তানশিনবদা য়াম্না কান্নবা অফবা নুমিৎনি।
**লৈশা পাখংশিংগী** - অশা চাউবগী কান্নবা লৈ।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ অঙাংবা।



**বৃশ্চিক :** মরুপকী মতেং ফংগনি, অফবা লৈফম ফংজগনি অমদি নচাক নরল ফংগনি। অহেনবা তানবদা শোয়দনা অফবা মিংচৎ ফংজৌ হায়বা নুমিৎনি। হোয়াদি ফগনু।
**লৈশা পাখংশিংগী** - ঙাঙবদা রাসি য়াওগনি।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ অঙৌবা।



**ধনু :** লাইবক ফগনি, শেন্দোং তানবা থবক্তা চাউনা কান্নবা নুমিৎনি অমদি অনৌবা ৱাখল্লোন্না কান্নবা হেনগনি। মীৱা লৌবা অমদি অনম তানবনা মাঙজবা হেনগনি।
**লৈশা পাখংশিংগী** - ৱারৌনবা লৈগনি।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ অঙাংবা।



**মকর :** মায় পাকপা, শেন্দোং ফংজবা অমদি ইমুং-মনুং ৱা তাননা পাংবা থবক খুদিং শোয়দনা মায় পাক্কনি। মীনা লাকচবা ঙমলোই অমদি মরুপ্পা থোইনা চানবীগনি।
**লৈশা পাখংশিংগী** - লাইবক ফগনি।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ অঙাংবা।



**কুম্বা :** খাংবা কনবা, থিবা হুম্বা কনবা অমদি হোয়া ফদবনা য়াইফবা ওইগনি। চিনদি য়াংগনু অমদি অখঙ অহৈগী ৱা তাবনা মাঙবা য়াবদগী কনগনি। অঙম্বগা মুক্লগনু।
**লৈশা পাখংশিংগী** - য়াকা য়েংনা চৎলু।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ অশংবা/হিগোক।



**মিন :** হকচাং নুংঙাইবা ৱাৎপা, অরিবা থবক পনবা অমদি খুৎচাও থাবা য়াদবা নুমিৎনি। শেলদি ফংগনি অমদি খাংবা কনবগী কান্নবসু শোইদনা ফংগনি। য়েৎনবসু ঙমগনি।
**লৈশা পাখংশিংগী** - মীৱা লৌগনু।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ নাপু/য়াইঙং।

থৌনি পোৎলমশিং অসি ইশানা নীংজবা লাইদা কৎপীয়ু মহয় ফংগনি।